## নুপা অমা ৰাখল তাদনা লৈরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচএনএস): লৈৰাবুং ব্রেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা পাংশোই পুলিস ষ্টেসনদা কোনবা কৈথৌবোক্তা লৈবা নিঙ্গাহাগদা ব্রিক ফিল্ডদা থবক তৌবা য়াওবা শিম্মী অমা পাংশোই পার্ট ৰাগনী লম্বী মনাক্তা ৰাখল তাদনা লৈরম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি এস ডি পুংখোল পুং ১ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মফম অদুদা নুপা অমা ৰাখল তাদনা লৈরে হায়বা পাউ হেক থক্তুনা পাংশোই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা চংশিন্দুনা নুপা অদু লৌখৎলগা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎনা লায়কখি। মহাক্কী মমীং মোইরাংথেম ইবোটোবা (৪৭) কৌই। মহাক বিষ্ণুপুরদগী লাক্লগা হৌজিক্কী কৈথৌবোক্তা লৈবা নিঙ্গাহাগদা ব্রিক ফিল্ডদা থবক তৌবা য়াওবনি হায়রি। রিমস হোস্পিটালদা ইবোটোবনা ৰাখল তাদনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পাউ ফংবদগী লাকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লাকপদগী মহাক্কী মমীং মথৎ অদু থংনা ওয়থিবগী হায়রি। পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, মহাকলম্বীদা চংলিঙৈদা গাড়ীনা থেংলম্লবগী শোকপ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মহাক পুলিসনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুদুম্মিলাকখি। তুংদা ইমুং-মনুংনা মহাক রিমস হোস্পিটালদগী অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা অমুক লায়েংনবা পুগ্লে হায়রি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মৈতৈ/মীতৈ চাউখৎ লুপ (টি দি এম এম সী এল) মযাই লোয়শঙ লিংখৎখিবগী অহানবা মপোক থৌরম ঙসি খাঙবোক পার্ট টু মযাই কৈকায়দা লৈবা ইমোইনু শঙলেন দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনি, খাঙবোক জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়তকী এস ওপেন্দ্রো, খাঙবোক পার্ট ৱান জি পিগী প্রধানগী নোমিনি এন লাকপা, খাঙবোক পার্টথ্রি জি পিগী প্রধান নোমিনি এম মংলেমজাও অমসুং এস দি সী থৌবাল এন অশাকুমারনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মতমদা এম ওইনা ঙসিগী অথোইবা মীথুংনা লুচিংলুনা সলাই ৭কী ফিরাল চিংখৎলুনা থৌরম হৌদোকখিবগা লোয়ননা ইমা ইমোইনু অমসুং লাইওইশ্বৰা লাইনিংহৌবশিং অমদি ইরুপাঙ্কশিংদা কংলুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মীতৈ/মৈতৈ ইনাংকৈদমক কয়া হোৎনবিরিবা হন্দক লৈখিদ্রবা রাহাঙ্গেনিগী লাইশ্রম ইঙেন মৈতৈ অমসুং অতে লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মখাদা মিনিট অনী য়াম্না লেপ্পুনা ঈকায় খুম্না উৎখি।

নুংগী ৱারোল পীরদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মৈতৈ/মীতৈ চাউখৎ লুপকী থৌবরেল মঙ্গিনা হায়খিবা, ইরমদম অসিগী ইনাৎ অসিগী অরাবপা মমাম অমা লৈবনা মরম ওইরদুনা অরাৎপম্পা খরনা ওইরসু মেনখৎপা ঙম্ভবা লুপ অসি লিংখৎলকখিবনি হায়খি। মহাক্কী অদুগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মৈতৈ/মীতৈ চাউখৎ লুপকী প্রসিদেন্ট এস সুরজিৎ, লুপ অসিগী এক্সিকিউটিভ এল তোম্বা, নৈরোক পার্ট ৱান জি পিগী হায়্নগী প্রধান এস ঐচ মন্ত্রিলচিংবা শরুক য়াখি।

GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:26/07/2018
Valid From:24/07/2018
*Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)*
Timing :07.30am to 10.30am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL.NO. UPTO 22063**
Booking Upto:11/08/2018
Valid From:04/08/2018
*Stk :306*
*19Kg Commercial Available : 180 Stk*
Timing :10.00am

**K&K INDANE SERVICE**
**SL.NO. UPTO 250**
Booking Upto:18/08/2018
Valid From:13/08/2018
*Stk :612*
Timing :07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

**KHORIPHABA, NAMBOL**
**SL.NO. From 3079-3294**
Booking Upto:10/08/2018
Timing :06.30am to 09.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO.From 8671-9200**
Booking Upto:16/07/2018
Valid From:12/07/2018
*Stk :270*
*Stk 19Kg Stk-24nos.*
Timing :07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:29/06/2018
Valid From:27/06/2018
*Stk :612*
Timing :07.30am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:27/07/2018
Valid From:03/07/2018
*Stk :612*
Timing :07.30am to 10.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:23/07/2018
Valid From:17/07/2018
*Stk :306 (DBTL)*
Timing :07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Copy)

# মেরা নোংমা পানবা সনামহি লাইনিং খোঙচৎ, চাওরেন হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচএনএস): সনামহি তেম্পল বোর্দ হয়িং খোঙবাল, উফোং য়ুম্ফম্মা শীন্দুনা মেরা নোংমা পানবা সনামহি লাইনিং খোঙচৎকী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সনামহি শঙলেনদগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমা লাক্তুনা লাইনিংথৌ সনামহি লাইনিংগী পাউজেল পুদুনা লাক্লগা ইমা কৈথেল, উরিপোক, ফ্লাই ওভর লান্দুনা লাক্লগা কংলারোমদা লাক্লবা মতুং লাইনিংথৌ সনামহিগী খুভমদা অমুক থুংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

থৌনি থৌরম অদুদা সনামহি তেম্পল বোর্দকী মেম্বর অমসুং শংলাকপা ওইরিবা সগোলশেন ললচেনবা মীতৈনা হায়খি, লাইনিংথৌ সনামহিগী মতিক ময়াই অসি শকপা শোঞবা নুমিৎ মেরাগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসি ঈ খুদেং, লাই খুদেং তাদবা, লাইনা লাই চাবা নুমিৎনি। য়াইফরবা নুমিৎ অমা ওইবনা মেরা থা হায়বদি মেন তাবা থা হায়নসু লৌনদুনা লাক্লিবনি। কংলৈ য়ুমথোং য়ৈনা লৈরিবা লাইনিংথৌ লৈমরেন অনীগী মপারী মমোমশিং অসি য়ুম্বানলোন তম্বা অমদি পুন্সিগী লাইনিং পরম তম্বা নুমিৎ অমসুনি।

মরম অদুনা নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ সনামহিনা শন্থোং পাংবা ওইনা লেংদনা ফম্বালদা লেংশিন্দুনা লৈবীরি। খোইয়ুম লাই পুম্নমক্কসু মমাংগী থাদা থোকখিবা, মথৌ পাংখিবা ময়ামদুগী মপাউ তম্বা লাইনিংথৌ সনামহিদা লাকই। মরম অসিনা মেরা নোংমা পানবা ওইরিবনি। নুমিৎ অসিদা সনামহি লাইনিং অসিবু খঙহন্দুনা লম থোকউ হায়বা অসি এক্ট ১৬.২ নম্বর ৰানদা য়াওদুনা লৈরম্বনি। মসিগী মতুং ইন্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

লাইনিংথৌগী থৌজাল ফংবা নুমিৎনি হায়দুনা তাইবংচাশিংদা পাউ তম্বগী তাইবং খোঙচৎনি। মপানদা সনা শঙ্গাইদা থাঙ্গৎলগা চৎলিবসি লাইনিংথৌ থাঙ্গৎলগা চৎপা নত্তে, লাইনিংথৌগী হৈনম লৈনম থম্বনি। লাইনিংথৌগী অমনবা কোকয়েৎ খনগৎচরগা থম্বনি।

নুংদা থম্বনি, পান্দা থম্বনি। নুংদা শান্নরিবা অথুপ্পা কয়াদু পানদা পাউ তমজবনি। লমদমসিদা মীশি মীনা তোয়শিল্লক্লিবা, মপা-মচা, মচে-মচন মশক খঙনদ্রিবা, শারমচৎ চৎলক্লবা, মীওইবগী মমল মাঙথরক্লিবা অসিদগী কঞ্জনবনি। মসিবু করম্না কোকন্দগে খন্নরকপদা মীপুম খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমদি মচিন মনাও মশক খঙবা হায়বদু ঙসিদগী ওইরসনু হায়বা লাইনিং খোঙচৎ অমনি। অদুবু ফুরুপ অমখক্কী নত্তে, ফুরুপ খুদিংমক্কীনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌবু নীংজরিবা মীপুম খুদিংমক্কা খুরুমজদুনা পুন্সি অমদি নুংঙাইজবা ওই হায়না থৌনিজবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা পরম ময়াম শীন্দোক্তুনা লোয়রবা মতুংদা কনা ৰাৎহৌরিবগে, অশোয়বা লৈহৌরিব্রা হায়দুনা খোইয়ুম মীৎয়েং থাবা, মীৎয়েং শানখৈনবা নুমিৎ অমসুনি হায়না মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুং (এল এস এস পি) না শীন্দুনা মেরা চাওরেন হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা এল এস এস পিগী লুপলোইশিং লোয়ননা লৈবাক মীয়াম অমদি মীতৈ চনু ২০১৮ কী শকহেনবী চাংদম্নবদা শরুক য়ারিবা মীওই ২০ না শগোলবন্দদগী খোঙহৌরক্লগা খ্বায় কৈথেলদা লৈরিবা কোনশাবী ইমাগী মকাইফম ফাওবা খোঙশানখি।

থৌরম অসি এল এস এস পিনা চহী অমগী তঙায়ফদ্রবা লৈবাক্কী মশিল অমা ওইনা পাঙথোকচবনি। কংলৈ মীয়ামদা মেরা চাওরেন হৌবগী মরুওইবা অমদি নুংগী ৰারী খঙমিন্নবা পান্দমদা শীনবনি। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৰারীদি, ইমা পান্থোইবীগী মতিক ময়াইবু খঙজরসনু হায়না খোইয়ুম্লক্তগী অথোইবীনা মশাবী মোংবা মরানয়াই থাদোক্লে হায়রগা চৎখ্রবগী মতুং খাবা য়েক সলাই অৰা হুইদোং লাংলক্লে। মপারী মমোম শেংনা খায়না, মপারি মশীং তারক, মমোম ময়েং তারক্লে। কাওরেন ষণনা শঙ্গোল থল্লন্বা কাওরেন ষণসু ময়েং তারক্লে। কৈরৈ য়েনসু ময়েং তারক্লে। খাবা য়েক সলাইনা করিগী মতৌনো পান্থোইবী ইমা চৎখ্রবা মতুংদা তৌরিবা অৰা অনা কয়াসি হায়দুনা শাগৈ য়েক সলাই পুম্বা খন্নরবা মতুং মমৌ ইবেম্মা পান্থোইবীবু থিরুদবা য়াদে, পান্থোইবী খোঙ্গুল লীদবা য়াদে হায়না খাবনা ৰাতানরক্লে। খাবা মোংবা মরানয়াইদা অৰাবগী পন্দোম লোমখ্রে। পান্থোইবী ইমানা শেংলম চারম্বা অমদি শীজিন্নরম্বা খুৎশু খুৎলায় থিরক্লবদা ফংবা কৌবা লৈখিদ্রে। মমৈথংদা পান্থোইবীনা হিপ্পম্বা কাদা চংদুনা য়েংলুবদা তুংগী মীরোলনা খঙজরসনু হায়না থল্লম্বা ইমা পান্থোইবীগী খুদোলদি তাইবং মালেমদা লৈরিবা ফৌসি ফৌহাম, ফৌচেৎ ফৌজুম, লা ওইবা পুম্বদুবুনি। ৰাগী শমচেৎ তুনানবী ময়া লীশিং অহুম পানবা, মবুক্তু ময়া পান, মমাংদসু ময়া পান, য়োৎকী পোৎলোই, লাইগী শমচেৎ হায়বা অমগী শল্লাং য়াওনা থম্বীরম্মী।

খাবা য়েক শলাইনা ইমা পান্থোইবীনা থম্বীরম্বা ৰাগী শমচেৎ তুনানবীদা য়াওরম্বা শম অদু ফঙবদগী পান্থোইবী ইমা ফঙলে হায়না খন্দুনা নুমিৎ অদুদগী ইমা পান্থোইবীবু খাবা য়েক শলাইনা ঈরাৎ থৌনি হৌখি হায়রি।

মরম অসিনা এল এস এস পিনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা থৌরম অসিবু মীতৈ ঐখোয়গী য়াম্না মরুওইবা লাইগী শোইফদ্রবা থৌরমনি হায়না খল্লগা পান্থোইবীবু খুরুমজদুনা ইমাগী মতিক ময়াই লৈরবা য়োৎকী পোৎলোই, লাইগীনা শমচেৎ অদুবু খ্বায় কৈথেল, ইপা লম্বুবা শলাই শিদবা অমদি ইমা কোনশাবী, ইমা লৈমরেল শিদবী অনীদা হায়রিবা শমচেৎ অসি হাৎচদুনা শমচেৎ অসিগী মতিক ময়াই পুম্ববু হাপ্পীরো হায়রগা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংদা য়েন্থোকখি হায়না এল এস এস পিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## প্রো. য়ুগিন্দ্রোগী মথক্তা এফ ...

*লামায় ১গী মখা...* কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি, সস্পেন্দ তৌখিবা ওজাশিং অমুক হঙ্গৎহন্দ্রিবা ফাওবা ঙসিদগী মতম কক্তনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট মঙা টোটেল সটদাউন তৌরে হায়না দিপার্টমেন্টশিং অসিগী মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টোটেল সটদাউন তৌখ্রবা এম য়ুগী দিপার্টমেন্টশিং অদুদি, বাইওকেমিষ্ট্রি, পোলিটিকেল সাইন্স, এন্থ্রোপোলোজি, মণিপুরী অমদি সোসল সাইন্স দিপার্টমেন্টনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মহৈরোয়শিংনা ঙসি দিপার্টমেন্টশিং অসিগী মমাংদা ফমদুনা ৰাকৎ মীফম চথখি। খোঙজং অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা অমদি ফাজিনখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং থাদোরক্তবদগী টোটেল সটদাউনগী খোঙজং অসি চথবনি হায়রি।

বাইও-কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, এম য়ুদা তল্লিবা মহৈরোয়শিং টৈররিষ্ট নত্তে। ওজা ফাজিনখ্রগা মহৈরোয় ঐখোয় করম্না লাইরিক তমগদৌরিবনো। ওজা অমদি মহৈরোয়শিং থাদোক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা মরী লৈনবশিংনা শীনবীগদবনি হায়রি।

## নর সিংহ, হেরাচন্দ্রগী মীতম ...

*লামায় ১গী মখা...* তল্লিবনি। ঐখোয় খুদিংমক হৈকৎ-লৈকৎ তমহনগে হায়রবদি কথোকপগা লোয়ননা করিগুম্বা খরদি কনট্রিব্যুসন তৌগদবনি হায়বসি ঐখোয় লোইনমক খঙই। অদুবু ঐখোয়না তৌবদি তৌদে।

হন্দক্তা হোজাইগী লমকাদা নেটা ইরাবতকী মীতম অমা খিনবদা মাগী মরমদা নৈনবগী খুদোংচাবা অমা ফংবা অসি পোকপগী মহয় য়াল্লে খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ডো. লমাবম কমল লিটরেরি কমপ্লেক্সকী কন্স্ট্রক্সন কন্মিটিগী চ্যেরমেন নিংথৌখোংজম তোম্বীরাজনা থৌরম মপু ওইখি। এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. রাজেন তোইজাম্বা, পেট্রোইটিক রাইটর্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম অমদি দিভাইন লাইফ ক্লব লংথবাল কুঞ্জগী প্রসিদেন্ট য়েন্দ্রেম্বম ইবোপীশকনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা ডো. লমাবম কমল লিটরেরি কমপ্লেক্সতা লৈবা মীতমদা লৈ-শু কৎখি। ডো. কমলগী শৈরেংসু পাথোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৰারোল পীরদুনা নেসনল এৱার্দী বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা হায়খি, কবি রত্ন লমাবম কমলনা লংথবাল কুঞ্জদা পোকখিবা অমদি মহাক্কী মীতম খিল্লিবা অসিনা কবি অসিগী মফমদা হৈ-লৈ কৎপা অমদি অহল-লমনশিংগা পুন্না থৌরম পাঙথোকমিন্নবগী খুদোংচাবা ফংবনি। লংথবাল কুঞ্জনা লৈবাক অসিদা তমখিবা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি। কবি কমল খক্তা নৎতনা লংথবাল কুঞ্জবুসু লুম্না লৌই। লংথবাল কুঞ্জগী পুন্সিদা কমল য়াওরি। কমলগী পুন্সিদা কুঞ্জ য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ঈশিং...

*লামায় ১গী মখা...* পম্প ২৫০গী মথক্তা লৈদুনা লৌফমশিংদা ঈশিং চিংনবা পীথখি। অদুবু পম্প অয়াম্বা পীখৎলকখিদে। লৌখৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। হৌজিক য়েন্থোক্লিবা পম্পশিং অসিদি ঈশিং চিংবগী থবক শীজিন্নরবা তুংদা দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলগা নীংথিনা থমগনি। তুংদা তঙাইফরক্তবা মতমদা অমুক হন্না শীজিন্নগনি।

ষ্টেট অসিগী লৌফম কয়া ঈশিং কংবগী ফীভম লৈবনা চাথোক খরমখৈদি হন্থগনি হায়না পারি। দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা লৌফমশিংদা পুথোক্লিবা ফৌথোক্কী চাং অসি নীংথিনা রিপোর্ট লৌখৎকনি। লৌমীশিংনসু মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং অদু নীংথিনা পীবীয়ু। লাক্কদৌরিবা সিজনদদি জুলাই ১৫ ফাওবদা ফৌ লিংবা অমদি হুনবগী থবক তৌদুনা ফৌ ফহন্নবা হোৎনমিন্নসি। ফৌথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পম্প য়েন্থোকখিবা অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসল কয়া অমদি সৈজাংগী লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## মতমগা পাঙ্গলগা শীজিন্নদুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়াদা শেলগী মনা পীবগী থবকসু পায়খৎলি। অনাবা মীওই কয়াদা শেলগী তেংবাং পীবগী থবকসু পায়খৎতুনা লাক্লি।

কোন্থৌজম গোজেন্দ্রো ফাউন্দেসননা থবক থৌরাং কয়া অমদি তেংবাং পীবগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা চথদুনা লাক্লি। মেদিকেল অমদি এঞ্জিনীয়ারিং তম্বা বি পি এলগী মখাদা লৈবা ইমুং-মনুং কয়াগী মহৈরোয়শিংদসু মহৈ-মশিন তম্বগী তেংবাং পীরি। ওককী ফার্ম অমা তৌদুনা মদুদা পুথোকপা ওক মচাশিং অদু এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী বেনিফিসরি কয়া খনগৎলগা য়েন্থোকপগী থবক লেপ্পুনা চথরকপনি। য়েন্নাও মচাসু লেম্না পীদুনা লোয়হল্লি।

শূ-নোম্বগী হৈনবী লৈরবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা য়াগনি। মতম অমসুং পাঙ্গল অসি নীংথিনা শীজিন্নদুনা লন ওন্থোকপা য়াই। ৰাখল্লোন অসিগী মখাদা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্ক বগীদমক শূ-নোম্বগী হৈনবী লৈবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মীপুম খুদিংমক হ্বাইট কোলর জোব পীবা হায়বসি ওইথোকপা য়ারোইদবনা ইশানা ইশাবু থবক পীজনবগী লম্বী কয়া শেম্বা তাই।

সিক্কিম ষ্টেট অসি টুরিজমদা অসুক্কী মতিক খুমাং চাউশিল্লক্লি। সিক্কিম অসি প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা অমদি পোল্যুসন লৈতবা ষ্টেট অমা ওইরকপনা টুরিষ্টশিং লাকনিংবগী চাংসু হেনগৎলকপনি। ষ্টেট অদুগী ফজরবা হোস্পিটেলিটি অমদি টুরিষ্টশিংনা য়েংনিংবা মফম কয়া অমসু লৈ। টুরিজম সেক্টর অসিসু শেন্মীৎলোন ফগৎনবগী য়াম্না মরু ওইবা সেক্টর অমনি। ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা হিংনবগী লম্বী পুথোকপা অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ ইবোতোম্বীসু শরুক য়াখি।

## খোঙজং চঙশিন্নবা লৈঙাক্লা শীনবীগনু : জে এ সী

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর রাইফল (এম আর মেল) ২০১৬ বেটচকী দি পি সী থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোকপীয়ু। খোঙজং চঙশিন্নবা লৈঙাক্লা শীনবীগনু হায়না জে এ সী ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ওফ মণিপুর রাইফল (এম আর মেল) ২০১৬ বেটচকী মেম্বর কে ঐচ ইনাকখুনবনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা কে ঐচ ইনাকখুনবনা হায়খি, দি পি সী চহী ২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবা হায়দোক্তনা লৈরি। কেনিদদেটশিংগী অৰাবা উবীরগা অথুবা মতমদা হায়দোকপীয়ু। লৈঙাক্লা থবক লৌখিবা কেন্দিদেটশিং অসি লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী ওইনবা লৌরিব্রা নৎত্রগা চহী বার ওইখিনবা শিল্লিব্রা হায়বা ৰাফম লাক্লি। এম আরগা পুন্না লৌমিন্নখিবা ফোলোৱর অমসুং মণিপুর পুলিসকীদি দি পি সী হায়দোক্তুনা জোইন তৌখ্রে। ট্রেনিং থাখিবসু য়াওখ্রে। এম আরনা হায়দোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লিবা অসি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোকপীয়ু। থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোকপীদবা তারবদি মখা তাবা খোঙজং মখল-মখা কয়া চঙশিন্নবা লৈঙাক্লা শীনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পাখংবগী লিক্লম কায়দনা ...

*লামায় ১গী মখা...* নিংথৌ পানবা লৈঙাক্কী মখাদা পাথাং-পূথাং নাইনা চথরক্লিবা অমনি। লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা য়েলহৌমী খুদিংমক ইমুং অমত্তনি। মাগী-মাগী মচাশিংনা হিংনবগী লম্বীদা তোঙান-তোঙান চৎনখিবগী ৰানি। ঐখোয়না ৰাহৈ-ৰাতা শীজিন্নবা মতমদা চেকশিনসি। পম্বৌনা পীরম্বা পাউতাক অমদা সলাই মশক তাক্লগনি। তুবী য়াওল্লক্লগনি। মীতৈ লৈবাক মশক তাক্ল রগনি হায়বসি নীংশিংমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নহান নোং কংলৈ লাইনিং লিক্লমগী ফাউন্দর কিরনকুমার ময়াংলম্বমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। নেরোকাগী প্রসিদেন্ট থাংজম অরুন অমসুং ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন থোকচোম ইতোনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নাৎকী ওইবা ঈশৈ, জগোই কয়াসু উৎখি।

## য়ু পি আর এফ এমনা বন্দ ...

*লামায় ১গী মখা...* ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাঙেনবম কংলৈঙানবা এলিয়স কিপানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীহল্লবা তুং চহীদুমক্কী ওক্টোবর ১৫ দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিলহনখিবা নুমিৎ ওক্তোবর ১৫ বু য়ু পি আর এফ এমনা মণিপুর নেসনগী হিষ্টোরিদা অমঙ্বা নুমিৎ (ব্লেক দে)নি হায়না লৌদুনা নুমিৎ অসিদা মণিপুর পুম্বদা পুং ১৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোকপনি।

৩৩ এ দিদগী হৌদুনা কংলৈপাক অসিগী চহী লিশিং ২ হেনবগী রেকোর্দ হিষ্টোরি লৈরক্তুনা, ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মনিং তম্বগী নুমিৎ, ১৮৯১ দা বৃটিশকা শোন্নখিবা লানফমদা মায়থিবদগী খুন্নাইসিগী মনিং তম্বগী নুমিৎ তাবা হৌখি। মালেমগী অকনবা অওনবা কয়াগী শাফুনা মতম অদুদা মপাঙ্গল কন্না লৈরম্বা বৃটিশশিংনা মরাই চাইথরক্তুনা, ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ দা লমদম অসিবু বৃটিশশিংনা থাদোক্লমদুনা নীংতম্ববু মতমদুদা অমুক হনজিনখি হায়রি।

লোয়ননা মহারাজ বোধচন্দ্রগী লিংচিং মখাদা, খুন্নাইসিদা দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্নমেন্ট অমা শেমগত্তুনা, মদুগী অহানবা মীয়ামগী মীহুৎ খনবগী মীখল অমা ১৯৪৮ গী জুন-জুলাইদা পাঙথোক্তুনা, লমদম অসিগী চীং অমদি তমগী মীয়ামগী মীহুৎ ৫৩ খন্দুনা মখোয়না শেম্বা লৈঙাক্কী অহানবা লেজিসলেটিভ মীফম অমা মহারাজ বোধচন্দ্রনা প্রসাইদ তৌদুনা ১৯৪৮ কী ওক্তোবর ১৮ দা ফমদুনা মণিপুর নেসনগী মীয়ামগী মনিং তম্বা লৈঙাক অমগী অশেংবা শক্তম অমা নৌনা শেমগৎলকপা হৌখি। অদুবু লাইবক থিবদি চহী ২০০ হেন্না মীনাই নাইথাংগী পোৎলুম পুদুনা লাকখিবা অদুগা নম্ফু হাফু, সুপনম তৌদুনা মতমদুদা শেমগৎলকখিবা ইন্দিয়া কৌবা লমলৌ লৈঙাক অসিনা মশাগী লম পাকথোক চাওথোক্লবা হোৎনদুনা অপিক-অপিকপা য়ুমথংনবা লৈবাক কয়াবু নমদুনা লৌশিনখি হায়নসু মরাল শীরি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা মনীং তম্না লৈজরম্বা ট্রিপুরা অমদি মণিপুরবু সুপ্রম তৌদুনা ইন্দিয়ানা মজর এগ্রিমেন্টকী মিংদা ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ৯ (ট্রিপুরা অমদি সেপ্তেম্বর ২১ (মণিপুর)বু সাইন তৌহন্দুনা ট্রিপুরা অমদি মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ফিবামনুংদা পুনশিল্লে হায়না ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯ দা লাউথোরকখি। চথখিবা ইন্দিয়াগী নম্ফু কাঙলোন অদুবু মালেমদা চৎনবা য়াদবগা লোয়ননা, তৌনখিবা মর্জর এগ্রিমেন্ট অদু লোজিকেল ওইদবা মরম্না লমদম অসিগী মীয়াম্না য়ানিংদবগী ইহৌ অসুম অসুম কনশিলকপা হেল্লকপগী শরুক অমা ওইনা চহী খরগী মতুংদদি লমদম অসিদা খুৎলায় পায়বগী মুক্লবা অমা ইন্দিয়াগা মণিপুরগগী মরক্তা থোক্লক্তুনা, নীংতম্বগী লাল অসি লমদম অসিদা ঙসিসু চথদুনা লাক্লি। মালেমগী চৎন-কাঙলোন্না য়াদবা লমলৌ ইন্দিয়া ঐখোয়গী লমদমসিবু এনেক্সন তৌশিনখিবা অমদি মদুবু চৎনরে হায়না লাউথেথোকখিবা নুমিৎ ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯ বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হন্দক চহীগী ওইনসু য়ু পি আর এফ এমনা লাক্লিবা ওক্তোবর ১৪ গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা ওক্তোবর ১৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ১৮গী মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্তুনা নুমিৎ অসিবু অমঙ্বা নুমিৎ (ব্লেক দে)নি হায়না ওবর্জাভ তৌরগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

হায়রিবা নুমিৎ অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মখল খুদিংমক্কী শিন্থা লেপ্পীদুনা ঐখোয়গী নীংতম্বা মাঙখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা অমদি মাঙখ্রবা ইশাগী ইনীংতম্ববু অমুক হঞ্জিনহন্নবা ফিরেপ লৌরসি হায়না নীংশিংজরক্লি। লোয়ননা হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা লমদম অসিদা ইমর্জেন্সিগী হীরমশিংদা থবক তৌবিরিবা, অদুগা ধর্ম্ম-করমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদদি কোনশিল্লোই হায়রি।

## পুলিসনা চথখিবা থৌওং মুসুনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচএনএস): এম য়ুগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংদা এফ আই আর পানবা য়ানিংদে, ফাজিনখিবা পুম্নমক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়বা মহৈরোয়শিংগী অপুনবা খোঙজং অমা চঙশিনখিবা অদুদা মণিপুর পুলিসনা চথখিবা থৌওংশিং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মুসুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী প্রসিদেন্ট এম দয়ামন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈরোয়শিংনা দেমোক্রেটিক ওইনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয় কয়া ফাজিনখিবা অমদি হোষ্টেলশিংদা অমুক হন্না পুলিসনা রেইদ চথখিবা থৌওং অদু য়াম্না লায়বক থিবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা ইস্যু অসিবু লোয়শিন্ননবা পুকচেল শেংনা হোৎনরিব্রা হায়বসি ৰাহং ওইনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা ঙসিগী থৌওং অসিনা তাক্লে মদুদি, ইস্যু অসি মহৈরোয় অমদি ওজাশিংদা কিহন খঙহন্দুনা ঈহৌ অসিবু নমথনবা হোৎনবনি, ৰারোইশিন অমা পুরক্কবা হোৎনবা নত্তে। মখা তানা ইস্যু অসি শাংথননবা মরম অমা মণিপুর লৈঙাক্কী পুকচেল শেংদবা থৌওং অসিনা ওইরি।

হোষ্টেলশিংদা রেইদ তৌনিংবা মতমদা তৌবা য়াবগী অয়াবা পীথোক্লিবা এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জ ওজা য়ুগিন্দ্রো অমদি রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জনি হায়না ক্লেম তৌজরিবা ওজা শ্যামকেশো অনীগী থৌওং অসি ওজা অমগী লীচৎ নত্তে। ৰাখল চোইরবা মানবা থৌওং কয়া ওজাশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা অসুমক চথদুনা লৈরবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মুৎখিবা শোয়দ্রে। ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং থাদোকপগী মহুত্তা ফাজিন্দুনা অসুম থল্লগা ৰারোইশিন পুরক্লোই হায়বসি লৈঙাক্লা নীংশিংবা চুমগনি। ফাজিনখিবা পুম্নমক কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি। য়ুনিভর্সিটি মুত্থৎনবা হোৎনরিবা ওজা য়ুগিন্দ্রো অমদি শ্যামকেশোদা মতেং পাংলিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা মণিপুর মীয়াম পুন্না লেপমিন্নদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎপা মতম য়ৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## মোইরাংথেম নিলমণিগী লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০ : মোইরাংথেম নিলমণিনা ইবা সোসিও-পোলিটিকেল এন্দ রিলিজিয়স কনফ্লিক্ট ইন কংলৈপাক হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী ওদিটোরিয়মদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী এদিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবমনা চীফ গেষ্ট অমদি এম য়ুগী এ ভি আর সীগী হেদ রিটাইয়র্দ প্রো. লোকেন্দ্র অরাম্বমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সনথোঙগী এদিটর মনিন্দ্র কোন্সমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## মহৈরোয়শিং থাদোক্কদবনি : মহৈরোয় ...

*লামায় ১গী মখা...* লাকখি। মসিগী মহয় ওইনা এম য়ু কম্যুনিটি, মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এম ঐচ আর দিগা এম ও এ অমা খুৎয়েক পীনদুনা য়ানবা পুরক্কবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোনা থাগৎখিবা এফ আই আর অমনা মণিপুর পুলিসনা অহিংদা এম য়ু কেম্পসতা রেদ চথখি।

মসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম লাকপা হৌরম্বদু অমুক কায়হনখি। মসিদগী লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মহৈরোয় লূপ ৬ - দেসাম, এমসু, এম এস এফ, কে এস এম, এইমস, সুকনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা খোঙজং শরুক য়ারকখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা টোটেল সটদাওন্দ লাউথোকপগা লোয়ননা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌদুনা খোঙজং চঙশিনখি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি অসি তংদু লৈতাবা ফিভমদা লাকপগী মহুত্তা প্রোফেসর পান্দেগী মথক্তা চথরিবা ইনক্বাইরি লোইশিনদবনচিংবা অসিদগী হৌরকপা ইহৌনা ঙসি ঙসিমক এ-ব্লোকতা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মহৈরোয়শিংদা পুলিসনা কা হেনবা লিচৎ চৎখিবা য়ানিংদে। মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌরোইদবনি।

হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২০ অমসুং ২১ গী লোন্নবা অহিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা এম য়ু কেম্পসতা লান্দাখিবা অদুগী পেন্নদ্রিঙৈ চৈরক্তা ঙসি ঙসিমক অমুক পুলিসনা কা হেনবা থৌওং চথবসি মহৈরোয় লুপ ৬ না কন্দেম তৌই। মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা ৰারোইশিন পুরক্কবা শিনগদবনি। ইহৌ হৌরিবা মহৈরোয়শিংবু প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রেনা টেররিষ্ট লাইক এজিটেটর হায়বসি হায়হন্নিংদে। মসিমক প্রোফেসর য়ুগিন্দ্রেনা মরীক চুম্না শেংদোক্কদবনি। ৰাফম অসিনা মরম ওইরগা ইহৌ হৌরিবা মহৈরোয়শিংদা অফ-ফত্ত থোরকপা মতমদা প্রোফেসর য়ুগিন্দ্রেনা রেস্পোন্সিবিলিটি পুগদবনি।

ইহৌ অসিগা মরী লৈননা ঙসি এ-ব্লোকতা থোমজিনবদা মহৈরোয় নুপীমচা ২ য়াওনা মহৈরোয় ১৭ পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা অসি কন্দিসন য়াওদনা খুদক্তা থাদোকপিয়ু। হৌজিক ওজা য়াওনা মহৈরোয় অমসু জেলদা লৈরিবসিসু খুদক্তা থাদোক্তবা তারগদি তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শারি। অদুনা লৈঙাক অসিনা মহৈরোয়শিং অসি থাদোক্তুনা অমদি ৰারোইশিন পুরক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরক্কবা শিনগদবনি হায়খি।

অমরোমদা মহৈরোয় লূপ ৬ কী অপুনবা বোদি অসিনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ ৫ অমসু মণিপুর লৈঙাক্তা থম্লক্লি। দিমান্দশিং অদুদি; মীওই অনীনা শাবা মনীং তম্না ইনক্বাইরি কন্মিটিনা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থিগৎপগী থবক-থৌরমশিং লোইশিনহন্দুনা অচুম্বা রিপোর্ট পীগদবনি। ইনক্বাইরি চথরিঙৈ মনুংদা প্রোফেসর ভি সী য়ুগিন্দ্রো অমদি রেজিষ্ট্রার ইনচার্জ প্রোফেসর শ্যামকিশো ফম পায়হন্দবা; ইনক্বাইরি লোইরবা মতুং মথং থাগী অহুমগী মনুংদা এম য়ুগী ষ্টেটুটোরি পোষ্টশিং রেগ্যুলর ওইনা হাপ্পা; এম য়ু কেম্পস মনুংদা মখল অমতগী আর্মদ ফোর্সেসশিং লৈহন্দবা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পরম কায়না প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোনা থাঙ্গৎলিবা এফ আই আর অসিগী মথক্তা এক্সন লৌবা হায়বশিং অসি দিমান্দ তৌখি। দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিফাওবা লূপ ৬ না তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মখা তাখি।

## এম য়ুগী হোষ্টেলশিংদা ওপরেসন চথখ্রে ...

*লামায় ১গী মখা...* মাস কম্যুনিকেসনগী মহৈরোয় ওইবা হৌজিক্লা পাউচে অমদা ইন্টর্ন তৌরিবা মীওই অনী অমসু পুলিসনা ফাজিনবদা য়াওখি।

ৰাথোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি যোগেশচন্দ্র হাওবিজমনা পাউচে অসিদা হায়, পুলিসনা নুপী মহৈরোয় অনী য়াওনা ১৭ পিক-অপ তৌরিবা অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফাননবা থৌরাং লৈত্রি। চুম্না মখোয় কমদৌনা মফম অদুদা লৈরম্বনো হায়বা ভেরিফিকেসন তৌননবা লৌখৎপনি। মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শীন্নবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৰাথোক্কী মতাংদা ৰারোইশিন থুনা লাক্লগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিনা থাজবা থমদুনা খৌরাংনা মতম ঙাইদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ঙসি নুংথিল এম য়ুগী কেম্পসতা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংদা পুলিসনা চথখিবা তমথীবা থৌওং মুটা অমসুং মুসানা কন্দেম তৌখ্রে।

এম য়ুদা ওইরক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা ফিভম অদুগী মতাংদা মুটাগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার আই তোম্বনা চ্যের লৌদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা পাঙথোকখিবা মুটা অমসুং মুসাগী জোইন্ট ইমার্জেন্সি মীফমনা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখিবনি। ঙসিগী পুলিসকী এক্সন অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২১ অমসুং মতুংদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা মরাল লৈজদবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অতৈ মীওইশিংবুসু খুদক্তা থাদোক্লবসু তকশিনখি।

মখা তানা মীফম অদুনা মহৈরোয় ১৩ মরম চাদনা ফাবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু কন্দিসন য়াওদনা খুদক্তা থাদোক্লবা তকশিনখ্রে। এম য়ুগী ৰাথোক অথুবা মতমদা চৎনবা য়াবা মওংদা ৰারোইশিন পুরক্কবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিন্নবসু মীফম অদুদা মেম্বরশিংনা য়ানখ্রে হায়না মুটা অমসুং মুসাগী অপূনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এন এল এফ/এম পি এনা অৰাবা ...

*লামায় ১গী মখা...* চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, সেকেন্দ লেফটনেন্ট ৰাংলেনসনা এলিয়স সঞ্জিৎ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি গীরি, অপোকপী চন্দ্রশখি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জিরিবাম মোটবুংদগীনি। নুংশিরবা য়াওল লান্মী অসি কুমজা ২০০০ দা বি এম টি ফংদুনা চহী অসিমক্কী ওগষ্ট ২২ দা এম পি এগী ১৯শুবা বেটচতা য়াওল লান্মী অমা ওইনা ৰাশক লৌখি। মতম খরা জি ঐচ ক্যুদা লৈরল্লগা চহীসিমক্কী দিসেম্বর ২৫ দা দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সতা ট্রান্সফর তৌদুনা তম্পাক লমদা থবক তৌরকখি। মতম খরা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরল্লবা মতুং কুমজা ২০০৩ গী এপ্রিল ১দা পার্টিদগী এম পি এদা অমুক ট্রান্সফর তৌরকপদগী এম টি এফকী প্লেটুন অমদা লৈদুনা য়েক্লবা ফোর্সশিংগা থেংনবা লানফম কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি।

কুমজা ২০০৬ তা অমুক জিরিবামদা লৈদুনা পার্টিনা শীন্নবা থবক পাঙথোক্লিঙৈদা জিরিবাম সোরোক অতিংবীদগী ১৪শুবা এ আরনা ফাদুনা অমুক কৈশুমশঙদা থা ৫ লৈখি। কৈশুমশঙদগী থোরক্লগা কুমজা ২০০৭কী জন্যুৱারী ৯ দা জি ঐচ ক্যুদা থবক পানশিন্দুনা লৈরম্মী। সেকেন্দ লেফটনেন্ট ৰাংলেনসনা এম পি এগী ২৪১ শুবা বট্টালিয়নদসু থবক তৌরম্মী। বট্টালিয়ন অসিদা লৈরিঙৈদা কামজোং এরিয়াদা য়েক্লবা ফোর্সকী মথক্তা লান্দাবা অমদি এম্বুশ তৌবদসু শরুক য়াখি। কুমজা ২০১১ দা জি ঐচ ক্যুগী মখাদা লৈবা য়ুনিট অমদা লান্মী শঙলূপনা শীন্নবা থবক তৌদুনা লৈরকখি হায়রি।

কুমজা ২০১২ গী ফেব্রুৱারী ১৯দগী পার্টিগী এক্সটর্নেল এফেয়ের্সতা অমুক লৈদুনা পার্টিনা শীন্নবা থবক তৌদুনা লৈরকখি। অদুবু, কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১ দা অমুক হন্না জি ঐচ ক্যুদা হল্লক্তুনা লান্মীগী থৌদাং লৌদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ১৭ তা ২৯৩ শুবা বট্টালিয়নদা থবক মফম পীদুনা লান্মীগী থৌদাং পুদুনা লাকখি। লৈখিদ্রবা সেকেন্দ লেফটনেন্ট ৰাংলেনসনানা মথক থোংবা অঙম্বশিংনা শীন্নবা থবক খূদিংমক থৱায় হকচাং য়াওনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা এম পি এগী মথৌদা পূক্নিং চঙবা ওফিসর অমনি। মহাক্লা চহী ১৮ পার্টি অমদি লান্মীগী থবক তৌদুনা লাকপা অসিদা লূপকী চৎন-কাঙলোন, থকশি-খাশি চেংনা ঙাকপা অমদি লূপকী অরোন-অথুপ ঙাক্লা থবক তৌখিবা নুংশিখিবা য়াওল লান্মী অমনি। মহাক মী লোয়নবা হৈবা, থৌনা ফনা কথোকপা ঙম্বা, মথক থোংবগী য়াথং হিক্তোক্তবা অচঙবা য়াওল লান্মী অমনি। লৈখিদ্রবা সেকেন্দ লেফটনেন্ট ৰাংলেনসনাগী লোয়নবী অমদি অঙাং অনী লৈহৌরি হায়নসু মখা তারক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নুংশিখিবা য়াওল লান্মী অথৌবা সর্জন্ট নামৈরাকপম লীফাবা এলিয়স মহেন্দ্র (২৪) অপোকপা এন অমুসনা, অপোকপী লৈখিদ্রবী ইরাবতি ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম অৰাং লৈকায়দগীনি। মহাক কুমজা ২০০৮গী সেপ্টেম্বর ১৫ দা এম পি এগী ৩৪ শুবা বেটচকী বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং লোইদুনা ৰাশক লৌখি। কুমজা ২০০৯ গী ওক্টোবর ১ দা এম পি এগী ২৪১ শুবা বট্টালিয়নদা পোষ্টিং পীদুনা লান্মীগী থৌদাং লৌদুনা লৈরকখি। কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ২২ দা এম পি এগী জি ঐচ ক্যুদা ৱায়রলেস ওপরেটরগী ক্লাস ফংলবা তুংদা কুইনা জি ঐচ ক্যুগী সিগ্নেল ষ্টাফতা রেদিও ওপরেটরগী থৌদাং পুদুনা লৈরকখি। কুমজা ২০১৩ দা লেন্স কোর্পোরেলগী ফমথোল পীরবা তুংদা মখা তানা থৌদাং পুথদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দা কোর্পোরেলদা অমুক ফম হাপকৎলবা তুংদা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ১২ দা ২৯১ শুবা বট্টালিয়নদা পোষ্টিং পীদুনা মফম অদুদা চহী ২ খরা হেন্না সিগ্নেল ষ্টাফতা রেদিও ওপরেটরগী থৌদাং লৌদুনা লৈরম্মী। কুমজা ২০১৬ তা কোরকোমগী জোইন্ট ফোর্সনা য়েক্লবা লান্মীগী মথক্তা চথবা বরাক ওপরেসনদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৭ তা সর্জন্টকী থাক্তা ফমথোল হাপকৎলবা তুংদা মতম খরা ২৯১ বট্টালিয়নদা মখা তানা লৈখি। কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ১ দগী ২৯৩ শুবা বট্টালিয়নদা ট্রান্সফর অমুক তৌদুনা বট্টালিয়ন অসিগী ওপরেটর অমদি ক্যু এমগী থৌদাং পুরগা মহাক্লা লৈখিদবা মতমসিফাও লৈরকখিবনি। লৈখিদ্রবা সর্জন্ট লীফাবা অসি পার্টিগী অমদি লান্মী শঙলূপকী থৌদাং কয়াদা শরুক য়াদুনা নোংমতা অশাওবা মায়থোং উৎতনা মশাগী মথৌ মশক খঙনা মথক থোংবনা শীন্নবা থবক খুদিংমক পাঙথোক্তুনা লাকখিবা নুংশিখিবা থৌনা ফবা, মমল য়াল্লবা লৈবাক অসিগী য়াওল লান্মী অমনি। মহাক নিংতম য়াওলবু চেংনা থাজখিবা, লূপকী চৎন-কাঙলোনবু চেংনা ইকায় খুম্নবা ঙাকখিবা শাউগন্দবা, মী তিন্নবা হৈবা, থৌনা ফনা কথোকখিবা য়াওল্লোই অমনি।

ঐখোয়না নুংশিখিবা অথৌবা ৰাংলেনসনা অমসুং লীফাবা অনীনা লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অদু য়ু এন এল এফ/এম পি এগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। য়াওল্লোই অনীনা লৈবাক মীয়ামগী নিংতম লানগীদমক লৌরম্বা থৌদাং অমদি মখোয়না পাঙথোক্লম্বা ফীদম্নফম ওইবা থবকশিং অদু ঐখোয় পুম্নমক্না মতম চুপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লোয়ননা অথৌবা য়াওল্লোই অনীনা লৈখিদবা অসিদা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা খুদোংচাদবা অমদি মায়োক্লহৌরিবা অৰাবা খিবিক্তা য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এনা শরুক য়াজরি। অথৌবা অনীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তা ঈংনা-চিক্লা য়াতাবা ওইরসনু। য়াওল্লোই অনীগী মফমদা অরোইবা য়াওলগী ইকায় খুম্নবা পীজরি হায়নসু য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শক-হেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।